# রোয়িং মশান্নগী মনুং চনবা ইভেন্ট অমা ওইরিবা ড্রেগোন বোট কম্পিটিসনসিদসু কুমজা ২০১১দগী ঐহাক মেদল লৌবা ঙমজরকখি



**ক্ষেত্রিময়ূম রানাপ্রটাপ**
**ইন্টর্নেসনল রোয়িং শান্নরোয়**

(হান্নগী মখা...)

স্পোর্টসকী অশেংবা মশক খরা খরা খঙবা ঙম্লকপদগী হেন্না হোৎননিংবগী ৱাখল অমসু মথন্তা ফাউরকখ্রে। তশেংনা হায়জরবদা ভোপাল স্পোর্টস একাদেমীনা ঐগী পুন্সি অসি দিরেক্সন চুম্না চৎহনবীরকখিবনি। মরুপ-মপাং তীন্নবা, টিম ইভেন্ট শান্নবা মতমদা প্লেয়র ঐখোয় মশেলগী মরক্তা করি করি ৱাখল্লোল চেনগদগে হায়বসিসু মুন্না খঙবা ঙমজরকখি। একাদেমীদা, নোংমাইজিং খুদিংগী ঐখোয়দা লেকচর পীবা লাকখিবা ইন্দিকেটর ময়ামদু পুন্সিগী কাউবা ঙম্লোই। পুন্সিদা শুকখন খল্লুদবা ফজ-ফজবা আইদিয়া ময়াম অমা ওজাশিং অদুনা ঐখোয়দা তাকপীরকখি। মদুগী কান্নবসু ঐখোয়দা য়াম্না লৈখি। পুক্লিং শোন্থরকপা, তন্থরকপা মীৎকুপশিংদসু মীৎ-না শিংহনবা অদুগুম্বসু ময়াম অমা য়াওখি।

খ্বাইদগী নুংঙাইজবা অমনা, খুৎশু-খুৎলায় শুনা ৱাখল নুংঙাইনা নিং-তম্না প্রেক্টিস তৌবা ফংজখিবা অদুনি। ভোপালদা ঐখোয়গী ওইনা ষ্টেন্দিং সেন্টরসি মফম অনীদা ফজনা শেমদুনা থম্মী। অপ্পর লেক হায়বা অমগা লাৱর লেক হায়বা অমগা অনী লৈ। অদুগা ঐখোয়না মরু ওইনা ট্রেনিং তৌরিবা মফমসিদনা অপ্পর লেক হায়বসিদনি। অদুবু ঈশিং ঈরৈ কনখৎলকপা মতমদদি অপ্পর লেক অসিদা প্রেক্টিস তৌবা য়াদে। সিজনগী মতুং ইন্না ঈথৎ ঈরৈ কনখৎলক্লগদি লাৱর লেকতা অমুক তৌই। রোয়িংগী ওইনা ফ্রি ওইরকখি। অদুমওইনমক মণিপুরগী অপীকপা ঈশিংদা ট্রেনিং তৌরগা মৈতে মচাশিংগী মরক্তগী ইন্টর্নেসনল মেদল ফংবা ঙম্বসু লৈতবদি নত্তে। মসি অশেংবগীদি ঐখোয়গী তোঙানবা ফিজিকেল ফিট ওইবা খরা লৈবদগীনি হায়জ নিংই। রোয়িং ইভেন্টসিদা ঐখোয়সি য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈবগী ৱাফমদি নত্তে। মসিদি ফিজিকেল ফিট ওইবা, থায়নদগী হৌনা ঐখোয় ঈ দা পাৱর প্লে শান্নবা ঙম্বগী থৌনা লৈরকপা, কম্পিটিসনগী স্পিরিট ফজনা লৈবা অদুগুম্বশিংদুননি হায়নসু ওজাশিং, অখঙ-অহৈশিংনসু ঐখোয়দা তাকপীরকখি। ঐখোয় মণিপুর মচাশিংগী স্পোর্টসকী টেলেন্ট অসিদি অতৈদগী খরা

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**রোয়িংদা মীৎয়েং অমা**

একাদমীদা লৈরিবসি পুন্না ঐখোয় ৪০ রোমনি। অদুগা মণিপুরদা ঐখোয়না খুমন লম্পাক রোয়িং কেন্নেলদা রাউন্দ অহুম প্রেক্টিস তৌরম্বদুদি শুপ্পতগী কিলোমিটর অনীমখাইদগীনা অহুমলোমতনি। ভোপালদদি কিলোমিটর অহুম-মরিসি ৱার্মিং অপতা ওইনা হোল্লি। অদুনা প্রেক্টিস তৌবসিমদি য়াম্না তোঙাল্লি হায়নসু কোচশিংনা অদুম হায়বীরকখি। অদুনা কম্পিটিসনগী মতমদা কোচশিংনসু ঐখোয়দা থাজবা য়াম্না থম্বী। অদুননি ঐখোয়না থৌনা লৈনা নুংঙাইনা শান্নবা ঙমজ রিবসি ভোপাল একাদমীদা জে াইন তৌজরবা মতুংদা কুমজা ২০০৭তা হায়দরবাদতা তৌখিবা '১০ শুবা সব জুনিয়র নেসনল রোয়িং চেম্পিয়নশিপ'কী ইভেন্ট (টু) পেয়র হায়বসিদা ঐহাক মেদল লৌজবা ঙমজখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০০৮দা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা '১১শুবা সব জুনিয়র নেসনল রোয়িং চেম্পিয়নশিপ'কী এক্স টু দবল স্কলদা সনাগী মেদল ফংজখি। কুমজা ২০০৯দা বেঙ্গলোরদা তৌখিবা '৩০ শুবা জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ'তসু এক্স-টু দবল স্কলদা ব্রোঞ্জ লৌজরকখি। মসিগী মতুংদা কুমজা ২০১১দা পাঙথোকখিবা 'থর্দ নেসনল ড্রেগোন বোট চেম্পিয়নশিপ'তসু তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট মরিদা শরুক য়াজরকখি। লোয়ননা মেদল লৌবসু ঙমজরকখি। হায়রিবা ড্রেগোন বোট চেম্পিয়নশিপ অদুগী মিটর ৫০০গী ড্রেগোন বোট টুয়েল্ব ওপন মেন হায়বদুগী ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংজরকখি। অদুগা মিটর ২৫০গী ড্রেগোন বোট টুয়েল্ব জুনিয়র বোইজ অসিদনা সনাগী মেদল লৌজবা ঙমজরকখি। ঐখোয় প্লেয়র ১২না থৌরগা তান্নবা কম্পিটিসন অসিদি খুৎ মান্নবা অমা চঙই। প্রেক্টিস তোইনা তৌমিন্নদবা য়াদে। খুৎ হেক চাননা হোনবদা মেদল শোইদ্রে হায়বসি খরা অদুম হোল্লকপদা খঙবসু ঙম্মী।

কুমজা ২০১১গী ড্রেগোন বোট চেম্পিয়নশিপ অসিগী মিটর ৫০০গী ড্রেগোন বোট টুয়েল্ব জুনিয়র বোইজগী কম্পিটিসনদা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। অরোইবদা কুমজা ২০১১গী মতমসিদা বেঙ্গলোরগী ই এম ই আর্মি ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রুপ্তসু ঐহাক থা তরুকলোম লৈজরুরে। থবক মচা অমা তৌরগা নুংঙাইনা শান্নগে হায়বগী ৱাখলসু মতমদুদা খনজখি। অদুবু আর্মিগী থা তরুক্কী অকনবা ট্রেনিং অদুগী মেটেল প্রিপরেসন করিমত্তা তৌহৌদবনা ঐঙোন্দা খরা ৱানা থোকখি। স্পোর্টস একাদমীগী লাইফ ষ্টাইলদা চাউরকখিবা ওইবনা আর্মিগী ট্রেনিং মওংদুগদি ঐঙোন্দা খিত্তং চানদবগুম্নসু তৌখি। য়াম্না টাইদ ওইবা রুল, দ্যুতি ষ্টাইল ঐহাক্না এদজষ্ট তৌবদা অৱাবা অমা ওইখি। অদুদগী তল্লক্তুনা তোকথোরকখি। অতৈদা ওইনা মতম ঙাইরগা ট্রাই তৌরগে খল্লকখি। খঙলাক লাকশিনবা মানবা অমা থেংনখিবদুনা আর্মিদা লৈনিংবগী ৱাখলদুসু মাংখিবা অদুনা তোকথোরকখি।

মথং.. মথং..





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১২

১) মহাক কুমজা ১৯৮৪ ফাওবা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিকনি। মহাক্না কুমজা ১৯৮৪গী ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ১৯শুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২) অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐহাক চহী ১০ শুরে। লাঞ্জাও অদুদা ঐহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অনীমক লৈখিদ্রে। মখোয়না লৈখিদবগী মরমদি চাবা ফংদবা অমদি ঈশিং-নুংশিৎ য়াম্না ঈংবননি। লাঞ্জাও লোইরবা চহী ১০গী মতুংদা ঐহাক্না ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা এথলেটিক্সতা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক কনানো?

৩) মহাক্না দিস্কস লংবা তম্বদা "The Blue Danube" হায়বা ঈশৈ অদু তাহল্লগা ঈশৈ অদুগী তানগা লোয়ননা দিস্কস লংবগী হকচাং অদু সর্কল মনুংদা রোটেট তৌবা হায়বদি হকচাং লৈবা তম্বীখি। মহাক দিস্কস চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?

৪) ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্কী মতাংদা মখাগী ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? "I hope to lead the olympics to success with all of you."

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## বেঙ্গালুরু এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সী দ্রো চৎখ্রে

Match on 10 Feb. (Mon) 2020
NE UNITED Vs JAMSHEDPUR



চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা য়াম্না মরু ওইবা মেচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১০গী লম্বা অসিদা রাউন্দ ১৬ লোইশিন্নরকপগা লোয়ননা এ টি কে এফ সী অমসুং এফ সী গোৱা পোইন্ট ৩৩/৩৩ ফংদুনা মাংজৌননা সেমিফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। মখা তাবা টিম অনী মশক খঙদোক্লবগীদমক ঙসিগী মেচ অদুদা বেঙ্গালুরু এফ সীনা মখোয়না হান্না ফংখিবা পোইন্ট ২৮ অদুদগী মপুং ফাবা পোইন্ট ৩ ফংদুনা সেমিফাইনেলগী জগা কন্না হোৎনরকখি।

অমরোমদা মেচ ১৪দা পোইন্ট ২১ ফংখিবা চেন্নাইন এফ সীসু ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা মরম্না ৪শুবা থাক য়ৌননবা মপুং ফাবা পোইন্ট ৩ লৌবা পামখি। ৪শুবা পোজিসনদা মুম্বাই সিটি এফ সী পোইন্ট ২৬ ফংদুনা লৈরি।

ঙসিগী মেচ অদুদা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখিবশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা মায় পাকপা ঙমদনা পোইন্ট অমখক ফংখি।

## বাংলাদেশনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ICC UNDER19 CRICKET WORLD CUP SOUTH AFRICA 2020



পোটচেপষ্ট্রুম, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকপা চহী ১৯ মখাগী আই সী সী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিমবু বাংলাদেশকী টিমনা ৱিকেট ৩দা থোইদুনা লৈবাক অদুগী অহানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস বংলাদেশনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিং অপুনবা ওভর ৫০ শান্নবা ঙমখিদে। বংলাদেশকী বোল্লরশিং অদুনা লাকশিনখিবদগী ৪৮শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা রন ১৭৭খক লৌরগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর য়াসসভি জসৱালনা বোল ১২১ মায়োক্লবদা ইন্নিংস অদুগী অমত্তা ঙাইরবা সিক্স অমা য়ৈবা ঙমখিবা অমদি ফোর ৮ য়াওনা পুন্না রন ৮৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। ৩শুবা বেটচমেন তিলক বর্মনা ওপনর দিভিয়ান্স সক্সেনা রন ২দা আউট ওইখ্রবা মতুং শান্না চঙলক্তুনা জেসৱালগা রন ৯৪গী পার্টনসিপ অমা শেল্লম্বা অদুনা ইন্নিংসকী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। বর্ম্ম রন ৩৮দা আউট ওইখি। অদুগা দ্রুভ জুরেলনা রন ২২ লৌরম্বা অদু পনবা য়াই। অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে।

বাংলাদেশনা নোংনা মরম ওইদুনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ৪৬তা হন্থখি। অদুবু টিম অদুগী ওপন্নর পরবিস হোসেনগী রন ৪৭ অমদি কেপ্টেন অকবর আলিনা আউট ওইদনা রন ৪৩ লৌখিবা অদুনা রন ১৭০দা তেনশিনখিবা টার্গেট অদু ৱিকেট ৭তুরগা লৌদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

## জেক রিপব্লিক্কী জিরি বেসেলিনা সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে ইন্দিয়াগী দবলসকী পেয়র সেমীফাইনেলদা লৈহৌরে

TATA OPEN Maharashtra



পুনে, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী সিটি পুনেদা পাঙথোক্লিবা মহারাষ্ট্র ওপন (টাটা) টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোয় জিরি বেসেলিনা ফংখ্রে। নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র রাজা অমসুং রামানাথন সেমীফাইনেলদা লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী জিরি বেসেলি অমসুং বেলারসকী ইগোর জেরাসিমোবকা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদু জিরি বেসেলিনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা টাইব্রেক্তা পোইন্ট ৭-২দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা বেলারসকী ইগোর জেরাসিমোবনা গেম ৭-৫দা থোইদুনা দিসাইদিং সেট শান্নখি।

দিসাইদিং সেট অদুদা জেক রিপব্লিক্কী জিরি বেসেলিনা জেরাসিমোবকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা গেম ৬-৩দা থোইরগী চহী অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র রি রাজা অমসুং রামকুমার রামানাথন ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ইজ রেলগী জোনাথন অর্লিক অমসুং বেলারসকী এন্দ্রি ভাসিলেবস্কিগী মখুত্তা ৬-৭(৩-৭), ৪-৬তা মায়থীহৌবদগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা অর্লিক অমসুং বাসিলেবস্কিবু স্বিদেনগী এ গোরানসেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী সি রুংকাটনা সেট ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

## অনীশুবা লেগতা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম্বু বেলজিয়মনা পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে

FIH PRO LEAGUE



ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী): মালেমগী মকোক থোংবা নুপাগী হোক্কি টিম ৯না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা সিটিদা চহী অসিগী জনুৱারী থাদগী শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা ইদিসন ওইখিবা এফ আই এচ প্রো লিগকী ঙসি ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান টিম বেলজিয়মগা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেচ অদু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ইন্দিয়া বেলজিয়মগী মখুত্তা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা শান্নখিবা টিম অনীগী অহানবা লেগকী মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা য়াম্না ফজবা মওংদা লম্বা পীগদুনা বেলয়িম্বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থিবা পীদুনা হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৫দা লৈরম্বদগী ইন্দিয়াগী টিম অসি মরীশুবা পোজিসন দা হায়গৎপা ঙমখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপদা বেলজিয়ম্না পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা ৩শুবা মিনটতা গোল চনখি। ইন্দিয়াগী বিবেকনা ইক্কোলাইজর অদু ১৫শুবা মিনটতা চনখি। বেলজিয়মগী প্লেনিভোনা ১৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১দা মাংজিল থাখি। অদুবু ইন্দিয়াগী অমিটনা ১৮শুবা মিনটতা ইক্কোলাইজর অমুক চন্দুনা ২-২দা লৈখ্রবা মতুং শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা প্লেনেভোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৩-২দা থোইখি।

## পোল ভোল্টকী ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখ্রে

টোরুন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী): চহী ৫শুরবা নুপাগী পোল ভোল্টকী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদু স্বিদেনগী এথলিট মোন্দো দুপ্লানটিসনা মিটর ৬.১৭ চোংদুনা থুগাইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং পোলেন্দগী সিটি টোরুনদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স ইন্দোর টুরগী মিট অমদা কুমজা ২০১৪দা য়ুক্রেনগী দোনেটসতা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা ফ্রেন্স এথলিট রিনো লাভিলিনিনা থমখিবা নুপাগী পোল ভোল্টকী মিটর ৬.১৬ অদু ঙরাং চহী ৫গী মতুংদা ৱর্ল্ড সিলভর মেদলালিষ্ট স্বিদেন মচা মোন্দো দুপ্লানটিষ্টনা থুগাইবা ঙমখিবনি।

য়ু এস এদা পোল্লুগা স্বিদেনগী সিটিজন ওইখ্রবা মোন্দো দুপ্লানটিসনা ঙরাংগী কম্পিটিসন অদুদা মহাকপু লম্বা পীগদবা এথলিট অমত্তা মিটর ৫.৫২ লান্থোকপা ঙমখিদে। মহাক্না অনীশুবা এটেম্পতা মিটর ৬.১৭ চোংখিবনি।

## মোহন বগাননা মিনর্ভা পঞ্জাবপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে, চেন্নাই সিটিনা চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

Hero I-LEAGUE
Match on 11 Feb (Tuesday)
NEROCA Vs INDIAN ARROWS



কলয়ানি/মারগাও, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী): হিরো আই লীগকী পোইন্ট লিদর ওইরিবা মোহন বগাননা য়ুম্ফু ওইদুনা মিনর্ভা পঞ্জাবকা শান্নবদা পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে। চেন্নাই সিটিনা য়ুম্ফু চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা মোহন বগান মেচ ১১ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখিবনি। মখোয়গী লম্বা ওইখিবা মিনর্ভা পঞ্জাব মেচ ১১দা পোইন্ট ১৭ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈখি। মিনর্ভা পঞ্জাবগী মায়কৈদগী ঙসিগী মেচ অদু থোইদুনা মোহন বগানবু তানখৎনবা কন্না হোৎনরকখি।

মেচকী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং ৪২শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী পাপা দিয়াৱারানা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমগী মতেংনা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মিনর্ভা পঞ্জাবপু মাংজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা মিনর্ভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নখ্রবসু মোহন বগাননা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু লোইশিনখি।

ঙসি গোৱাগী মারগাও সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা য়ুম্ফু চর্চিল ব্রদর্স অমসুং চেন্নাই সিটি লম্বা তৌনখিবদা চেন্নাইননা ২-১দা থোইখি। ঙসি মেচ অসিগী মাংওইননা চেন্নাই মেচ ৯দা পোইন্ট ১১ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি। অমরোমদা চর্চিল ব্রদর্স মেচ ৮দা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মেচকী অহানবা হাফ লম্বা মান্নখি, পাঞ্জল লৈখিদে। ৮৫শুবা মিনটতা চেন্নাইগী কাটসুমিনা চনখিবা পাঞ্জল অদু ৮৭শুবা মিনটতা চর্চিলগী লালখোপুইমাৱিনা হন্দোকখি। অদুগা ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী জে মুজ াঙুনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-১দা থোইখি।